## স্কুল হাংবগী মতম য়েথোক্লে

মুম্বাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী স্কুলশিং নৌনা হাংবগী মতম য়েথোকখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা কোভিদ ১৯ টাস্ক ফোর্সকী মীফম অমা পাঙথোকখিবদা ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হান্নদি ওগষ্ট ১৭তা ষ্টেট অসিগী স্কুলশিং অমুক হন্না হাংনবা লেপ্পলম্বনি। স্কুলশিং নৌনা হাংবগী মতাংদা ৱারেপ লৌনবা পাঙথোকখিবা মীফম অদু চীফ সেক্রেটরি সিতারাম কুন্তেনা চোর লৌদুনা পাঙথোকখি অমসুং টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিং, এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টরশিংনা শরুক য়াখি।

কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈত্রবা রুরেল এরিয়াশিংগী স্কুল খরা মখা তানা মথৌ তৌহন্নবা অমসুং কুমজা ২০০০গী মার্চতগী থিংলকখিবা অতৈ স্কুল পুম্নমক হন্না থৌরাং তৌখিবা ওগষ্ট ১৭তগী অমুক হন্না হাংবা হৌহন্দনবা মীফম অদুদা ৱারেপ লৌখি।

মাইনোরিটি এফেয়র্স মিনিষ্টর নৱাব মালিকনা মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, পঞ্জাবকুম্বা অতৈ অকক্লবা ষ্টেট খরদা স্কুলশিং অমুক হাংহনখি। তৌইগুম্বসুং ষ্টেটশিং অসিদা জুভেনাইল কোভিদ পেসেন্ট মশিং খংহেন হেনগৎলকখি।

## নাতোন্দা হাপ্পা ভেক্সিন চাংয়েংগী অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
ভারত বাইওটেকনা পুথোকপা নাতোন মখুন্দা কাপশিল্লগা শীজিন্নগদবা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা চাংয়েং চথনবা রেগ্যুলেটরনা অয়াবা পীখ্রে। ভারত বাইওটেকনা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা শীজিন্নগদবা লৈবাক অসিগী অহানবা ইনত্রানেসল ভেক্সিন অদু পুথোকপদা দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজি অমসুং মসিগী পি এস য়ু ইন্দষ্ট্রি রিছার্চ এসিষ্টেন্স কাওন্সিলনা মতেং পাংলিবনি।


মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, বি বি ভি ১৫৪ অসি ইন্দিয়াদা মীওইবদা চাংয়েং তৌবা নাতোনদা কাপশিনবা অহানবা কোভিদ ভেক্সিননি। ভেক্সিন অসি পুথোকপদা য়ু এসকী সেন্ট লুইদা লৈবা ৱাশিংটন য়ুনিভর্সিটিগী টেক্নোলোজি শীজিন্নৈ। ভেক্সিন অসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী ক্লিনিকেল চাংয়েং চহী ১৮-৬০ মরক্কী মীওইশিংদা পাঙথোকখি। চাংয়েং অদুদা ভেক্সিন অসি শীজিন্নবদা সেফ ওইখি অমসুং শরুক য়ারিবশিংদা ইম্যুন রেস্পোন্স লাকপা উখি।

## এন সী বিগী স্লুথশিংদা এটেক তৌখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
থা মাপনগী মনুংদা অহুম্লকশুবা ওইনা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি)গী টিম অমা ফোরেনর খরা য়াওনা ড্রগ য়োনবা খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা এটেক তৌখ্রে। ইরাই নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অদু শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা রেইদ অমা চথবদা থোকখিবনি।

এন সী বি জোনেল দিরেক্টর সমীর ৱানখেদেনা হায়, ড্রগ য়োনবা ফোরেনর কাঙবু অমা রেলৱে লাইন্সকা নক্লবা ফোরেষ্টতগী ওপরেট তৌরি হায়বা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী মুম্বাইগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লৈবা মানখুর্দতা থৌদোক অদু থোকখিবনি। নুঙ অমসুং মী শিবা য়াবা খূৎলায়শিং পায়বা ড্রগ য়োনবশিং অদুনা এন সী বিগী টিম অদুদা এটেক তৌখি। থৌদোক অদুদা ওফিসলশিংদুগী মনুংদা অমা মকোক্তা শোকখি অমসুং অতৈ মরিসু হকচাংগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা শোকখি।

# ইস্রো এস্পিওনাজ কেসতা এক্স-দি জি পি অমদি অতৈ মীওই অহুম এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
ইস্রো এস্পিওনাজ কেসতা কেরেলা হায় কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা গুজরাটকী হান্নগী দি জি পি আর বি শ্রীকুমার, কেরেলাগী হান্নগী পুলিস ওফিসর অনী- এস ভিজায়ন অমসুং থম্পি এস দুর্গা অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা আই বি ওফিসল পি এস জয়াপ্রকাশতা এন্টিসিপেটরি বেল পীখ্রে।

জষ্টিস অশোক মেননগী সিঙ্গল বেঞ্চ অমনা ওর্দর অদু লাউথোকখি। ইস্রোগী হান্নগী সাইন্টিষ্ট নম্বি নরায়নন চেন্নবা কেস অদুদা শ্রীকুমারনা তরেৎশুবা এক্যুজনি।

কুমজা ১৯৯৪দা পাউচেশিংগী হেদলাইন ওইখিবা এস্পিনাজ কেস অদু ইন্দিয়াগী স্পেস প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা অকক্লবা অরোনবা দোক্যুমেন্ট খরা সাইন্টিষ্ট অনী অমসুং মালদিভসকী নুপী অমা য়াওনা অতৈ মীওই অনীনা মপান লৈবাকশিংদা ট্রান্সফর তৌখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈনৈ।

কেস অদু কুমজা ১৯৯৪ দা রাশীদা কৌবী মালদিভিয়ন নুপী অমা তিরুভানন্তপুরমদা ফাবদগী খঙনরকখিবনি। মহাক পাকিস্তানদা য়োন্নবগীদমক্তা ইস্রোগী রোকেট ইঞ্জিনশিংগী অরোনবা দ্রোৱিংশিং লৌরম্বগী মরালদা ফাখিবনি।

ইস্রোদা মতমদুদা ক্রায়োজেনিক প্রোজেক্টকী দিরেক্টর ওইখিবা নরায়নন মতমদুগী ইস্রোগী দেপ্যুটি দিরেক্টর দি সসিকুমারন অমসুং রশীদাগা তিন্নবা ফৌসিয়া হাসন কৌবী অতোপ্পা মালদিভিয়ন নুপী অমগা লোয়ননা ফাখি।

মশাগী চহী ৭৯ শুরবা হান্নগী সাইন্টিষ্ট অসি মতুং তাবদা সী বি আইনা কৃপ্পা থীজিল্লবা মতুংদা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখি। মদুদগী মহাক্লা ইন্টলিজেন্স কাঙবুশিং অমসুং কেরেলা পুলিস ওফিসরশিংগী মায়োক্তা লিগেল প্রোসিদিংস লৌখৎখি। এস্পিওনাজ কেসতা মহাকপু চেন্নহনবদা মখোয়গী খূৎ য়াওই হায়না হান্নগী সাইন্টিষ্ট অসিনা মখোয়বু মরাল শীখি। অদুম ওইনমক, মখোয়গী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনিংঙাই ওইদে হায়রদুনা মহাক্কী ৱাকৎ অদু দিসমিস তৌখি। মদুগী মতুং মহাক্লা হায় কোর্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা অমুক ৱাকৎখি।

# ঈ সী আই ৱেবসাইট হেক তৌরগা ভোটর আই দিশিং শারম্বা ১ ফারে

সহারানপুর (য়ু পি), ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)গী ৱেবসাইট হেক্কিং তৌরগা ফেক ভোটর আই দি লিশিং কয়া শারম্বনি হায়বা নহা অমা ফাখ্রে। মহাক্লা নকুদ এরিয়াদা লৈবা মহাক্কী কম্প্যুটর দুকানদা ভোটর আই দিশিং অদু শারম্বনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়, ভিপুল সাইনি কৌবা মীওই অদুনা ঈ সী আইগী ওফিসলশিংনা শীজিন্নবা পাসৱার্দ শীজিন্নদুনা ঈ সী আইগী ৱেবসাইটতা লোক ইন তৌখি।

হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী খেন্নবা খরা থেংনবদগী ঈ সী আইনা ইনভেষ্টিগেটিভ এজেন্সি কয়াদা মদুবু খঙহনখি। এজেন্সিশিংদুনা সাইনিগী মফম খঙদোকপা ঙমখি অমসুং সহারানপুর পুলিসতা পাউ পীখি।



সাইবর সেলগী স্লুথশিং অমসুং সহারানপুর ক্রাইম ব্রাঞ্চকী অপূনবা টিম অমনা শগোলশেন নুমিৎতা সাইনিবু মচরহেদি ভিলেজদগী ফাখি।

ঈ সী আইগী ৱেবসাইট হেক তৌরগা ভোটর আই দিশিং শারল্লিবা সাইনি কম্প্যুটর এপ্লিকেসন্স (বি সী এ)দা বচেলরস দিগ্রি পায়। পুলিসনা মহাক্কী দুকান্দসু রেইদ চথখি অমসুং হার্দ ড্রাইভশিং অমসুং কম্প্যুটরশিং ফাগৎখি। পুলিসকী মতুং ইন্না, সাইনিগী বেঙ্ক একাওন্টতা লুপা লাখ কয়া য়াওরমখি।

সহরনপুরগী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস এস পি) এস চানাপ্পানা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মহাক্লা কার্দশিং অদু করিগী শারিবনো নৎত্রগা করি হীরমদা মহাক্লা কার্দশিং অদুবু শীজিন্নরিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। থীজিনগদবা কয়া লৈরি।

ৱাহং-পাউহং চথবদা সাইনিনা মধ্য প্রদেশকী হার্দা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা অর্মান মালিক কৌবা মীওই অমসু থবক্তুদা য়াওই হায়না ফোঙদোকখি। ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিশিংনা কোর্টকী খূত্থাংদা সাইনিবু রিমান্দ লৌরগনি।

## মহারাষ্ট্রাদা দেল্টা প্লসনা শিহনবা মী ৩ শুরে

মুম্বাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রাদা অহুমশুবা ওইনা কোরোনাভাইরসকী দেল্টা প্লস ভেরিএন্টনা শোক্লবা পেসেন্ট অমসু লৈখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। হৌজিক ফাওবদা মহারাষ্ট্রাদা ভেরিএন্ট অসিগী পেসেন্ট ৬৫ হেল্লে।

দেল্টা প্লস পোজিটিভ ওইবা মশাগী চহী ৬৯ শুরবা নুপা অমা নাগোথানে, রাইগদতা শিখি। ভেরিএন্ট অসিমক্কী ইনফেক্সন লৈরবা মীয়াই চল্লবী নুপী অমনা নক্লবা উরান টাওনদা লায়েংলি।

শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা ব্রীহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সী) দা মশাগী চহী ৬০ শুরবী নুপী অমা দেল্টা প্লস পোজিটিভ ওইবা সম্পল রিপোর্ট লাকখি। হৌখিবা জুলাই ২৪দা লৈখিদবা নুপা অসি মুম্বাই সিটিগী নোংপোক থংবা চীদাইদগীনি।

মদুগী মমাঙদা ষ্টেট অসিদা দেল্টা প্লসকী অহানবা পেসেন্ট ওইখিবা মশাগী চহী ৮০ শুরবা নুপা অমা হৌখিবা জুন ২৫দা রত্ন গিরিদা শিখি। ইন্সটিট্যুট ওফ জেনোমিক্স ইন্টিগ্রেটিভ বাইওলোজি লেবকী দেটা পল্লদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মহারাষ্ট্রা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট পেসেন্ট মশীং ৬৫ শুরে।

কেস ৬৫ অসিগী মনুংদা কেস ১৩গা লোয়ননা জালগাওননা ভেরিএন্ট অসিগী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা মফম ওইরি। রত্নগিরিদা ভেরিএন্ট অসিগী কেস ১২, মুম্বাইদা কেস ১৪, থানে অমসুং পুনেদা কেস ৬/৬ থেংনখি। পুলঘরদা কেস ৩, রাইগাদ, নান্দেদ অমসুং গোদিয়াদা কেস ২/২ অমসুং সিনধুদুর্গ, ঔরাঙ্গবাদ, কোলহাপুর, সাংলি, বিদ, নন্দুরবর, অকোলা অমসুং চন্দ্রপুরদা কেস ১/১ থেংনখি। পেসেন্টশিং অদুগী মনুংদা নুপী ৩৩ অমসুং ৩২ য়াওরি।

কেস ৩৪ নৎত্রগা অপূনবা কেসকী তঙ্খায় অমরোমদি চহী ১৯-৪৫ গ্রুপকী মরক্তা লৈবশিংনি, পেসেন্ট ১৭না চহী ৪৬-৬০গী মরক্তা লৈবশিংনি অমসুং পেসেন্ট ৭না চহী ৬০ মথক্কী মীওইশিংনি।

চেকশিন থৌরাং ওইনা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ভেরিএন্ট অসিগী ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিং অসিগা নক্লখিবা মীওইশিং থিবগী থবক য়াঙশিনখিবগা লোয়ননা পেসেন্টশিং অসিগী ট্রাবেল হিষ্ট্রি, ভেক্সিনেসন ষ্টেটস, ইনৌ নৌবা মেদিকেল ষ্টেটস অমসুং অতৈ অকূপ্পশিংসু লৌবা হৌখ্রে।

## য়ু পি পুলিসনা রিৱার্দকী শেনফম লৈখিদ্রবা গার্দকী লোয়নবীদা শিন্নখ্রে

জোনপুর, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
থাগৎনিংঙাই ওইরবা খোঙথাং অমদা উত্তর প্রদেশকী জৌন পুলিসনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মখোয়দা পীবা রিৱার্দকী শেনফম লৈখিদ্রবা কেস ভেন সিক্যুরিটি গার্দ অমগী লোয়নবীদা শিন্নখ্রে। রাম অৱাধ চৌবে কৌবা কেস ভেন সিক্যুরিটি গার্দ অদু হৌখিবা ওগষ্ট ৯ দা মীওই অনীনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। মীওইশিং অদুনা ভেন অদুদগী শেল লূট তৌনবা হোৎনবদা মহাক্লা থিংলুবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জৌনপুর অজয় সাহনিনা লৈখিদ্রবা গার্দ অদুগী লোয়নবীদা লুপা লাখ ১গী চেক শিন্নখি। মশাগী চহী ৪৫ শুরবা চুবে ওগষ্ট ৯দা বক্সা পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ধানিয়ামাও মার্কেটতা লৈবা এ টি এম অমদা শেল হাপচিন্নবা হোৎনখিবা মতমদা মশক খঙদবা মীওই অনীনা শেল লূট তৌনবা হোৎনরকপদগী মখোয়গা নোংমৈ কাপ্পবদা শিখিবনি।

লূটর অনীমক চুবেনা কাপ্পদসু অশোক অপন নংখি। মতুং তাবদা লূটর অনী অদু ওগষ্ট ১০দা পুলিসকা নোংমৈ কাপ্পবদা শিখি। কাপ্পবদা শরুক য়াখিবা পুলিস পর্সনলশিংনা রিৱার্দ অদু চুবেগী ইমুংদা পীনবা হায়জখিবনি।

## চান্দিগরগী এদমিনিষ্ট্রেটর হাপ্পগী ৱারেপ রিভিয়ু তৌনবা তকশিনখ্রে

চান্দিগর, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
সেন্টরনা চান্দিগরগী ওইবা মপূং ফাবা এদমিনিষ্ট্রেটর অমা হাপ্পনবা লৌখিবা ৱারেপ রিভিয়ু তৌনবা শিরোমনি অকালি দল (এস এ দি) গী প্রসিদেন্ট সুখবির সিংহ বাদলনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা হায়জখ্রে।

পঞ্জাবকী গভর্ণরদগী সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী চার্জ লৌথোক্লগা মপূং ফাবা এদমিনিষ্ট্রেটর অমা হাপ্পনবা সেন্টরনা ৱারেপ লৌখিবনি। সেন্টরগী থৌরাং অদু পঞ্জাবনা চান্দিগরবু ষ্টেট অসিগী কেপিটেলনি হায়না ক্লেম তৌরিবা অদুদা অকায়বা পীননবা হোৎনরকপনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা হোম মিনিষ্টরগা উনবদা সুখবির বাদলনা হায়খি, চান্দিগর অসি পঞ্জাবকী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। সিটি অসি য়ারিবমখৈ থুনা পেরেন্ট ষ্টেটতা ট্রান্সফর তৌগদবনি।

ষ্টেট অসিগী ৱাংমদগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুগী মপূং ফাবা এদমিনিষ্ট্রেটর হাপ্পবগী মরম লৈতে হায়নসু মহাক্লা হোম মিনিষ্টরদা হায়খি। পঞ্জাব রিওর্গনাইজেসনগী মতমদা লৌখিবা ৱারেপ খূদিংমক মথং মথং ভাইওলেট তৌরে হায়নসু বাদলনা শাহদা মখা তানা খঙহনখি।

## ষ্টেলিননা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংগী পার্ক ২ হৌদোক্লগনি



চেন্নাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা কেপিটেল সিটি চেন্নাইদা হকচাংগী ফিভম তোল্লবা মীওইশিংগীদমক্তা স্পেসল পার্ক অনী হৌদোক্লগনি। অদুম ওইনমক, পার্কশিং অদু হৌদোকপগী চপ চাবা নুমিৎ লেপত্রি হায়না গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসনগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কোর্পোরেসন অসিগী মতুং ইন্না কোতপুরম অমসুং নোলম্বুরদা লৈবা পার্ক অনী অদু শেম-শাবগী থবক মপূং ফানা লোইশিল্লে। গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসননা মমাঙদসু কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বরদা সান্থোমদা মান্নবা পার্ক অমা কম্মিসন তৌখ্রবনি। পার্ক অদু টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা পীবা ষ্টেট এৱার্দ ফংখ্রবনি।

পার্ক অদুগী শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা এক্সক্লুসিভ ফীচরশিং হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা অঙাংশিং অমসুং অহলশিংনা য়াম্না পাম্নখি। হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লমবশিংগী ওইবা পার্ক অনী অদুদা মেরি-গো-রাওন্দ-ওন-হ্বিলাচ্যের, মীৎ উদবশিং অমসুং না তাথিরবশিংগী ওইবা ষ্টেপ্পিং ষ্টোনশিং, টচ অমসুং ফীল গ্রাফিটিনচিংবা সেন্সরি এরিয়াশিং য়াওগনি। পার্কশিং অদুদা হর্ব গার্দেনশিং, আওটদোর জিম, টেবল গেমস, মল্টিপ্লে এরিয়া অমসুং সট্টল বেদমিন্টন কোর্ট অমসু য়াওগনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা অহানবা ওইগদৌরিবা সন্থোম পার্কতা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংগী বাস্কেটবোল কোর্ট অমসু য়াওরি।

পার্ক অদুবু দিজাইন তৌখিবা কম্পনি সিটি ৱর্ক্সকী আর্কিটেক কবিতা সেলভরাজনা হায়, পার্কশিং অদু দিসএবিলিটি মখল খূদিংমক্কী য়ামদ্রবদা ফীচর অমা য়াওহন্নবা মওংদা দিজাইন তৌখিবনি। পার্কশিং অসি ইনক্লুসিভ ওইহনবগা লোয়ননা সেন্স মখল খূদিংমক শীজিন্নবা য়ানবা মওংদা পার্কশিং অসি দিজাইন তৌখিবনি। গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসননা চেন্নাইদা লৈরিবা পার্ক খূদিংমক হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংগী য়েংদুনা প্লে ইক্বিপমেন্ট অমমম য়াওহন্নবা থৌরাং তৌরি।

## গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা ক্যের হোমদা লৈবা রেপ সর্ভাইভর অমদা সেক্স্যুএল এসোল্ট চথখ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী):
রেপ সর্ভাইভরশিং অমসুং অঙাং-শিংগী ওইবা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা ক্যের হোম অমদা মশাগী চহী ২০ শুরবী সেক্স্যুএল এব্যুজকী ভিক্টিম অমবু রেপ তৌবগী মরাল শীরবা মীওই অমা চেন্নাই পুলিসনা থিবগী থবক চথরি।

মশাগী চহী ৫১ শুরবা বেন্নেট রিচার্দসন কৌবা মীওই অদু পুদুচেরিদগীনি। মহাক চাইল্দ ৱেলফ্যের কম্মিটিগী মেম্বর ইসাবেল রিচার্দসনগী মৌপ্পানি। ক্যের হোম অদুদা লৈবী নুপীমচা অদুবু রেপ তৌখিবগা মরী লৈননা কমপ্লেন্ট লাকপদগী চাইল্দ ৱেলফ্যের কম্মিটিগী মেম্বর ইসাবেল রিচার্দসন পুলিসনা ফারে। মহাক শগোলশেন নুমিত্তা তিরুভতিয়ুরদা লৈবা ময়ূমদগী ফারবা মতুংদা জুদিসল কষ্টদিদা লৈরি। মহাকপু রুলশিং থুগায়দুনা ক্যের হোম অদুদা মহাক্কী মৌপ্পানুপা লৈহনবগী মরাল শীখি।

বেন্নেট রিচার্দসননা ক্যের হোম অদুদা ক্যেরগিভর অমা ওইনা থবক তৌরিবদু রুলশিংগী মায়োক্তনি হায়না লৌনবদগী মহাকপু ময়ূমদা হন্নবা হায়খি। তৌইগুম্বসুং মহাক চাইল্দ ৱেলফ্যের কম্মিটিগী মেম্বর ওইরিবা মচেগী সপোর্টকা লোয়ননা হোম অদুদা মখা তানা লৈশিনখি হায়না পুলিস ছোর্স অদুনা ফোঙদোরক্লি।

ছোর্সশিং অসিনা মখা তানা হায়, বেন্নেট রিচার্দসনবু মখুরানা রেপ তৌখিবদগী ক্যের হোম অদুদা থল্লকখিবা মশাগী চহী ২০ শুরবী নুপী অমা রেপ তৌবগী মরাল শীখি। মহাক ক্যের হোম অদুমক্তদা লৈবী মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা সেক্স্যুএল এসোল্ট চথখিবগী অতোপ্পা কেস অমসু মায়োক্লরিবনি।

থৌদোক অদু ইসাবেলদা খঙহনখিবা মতমদা মহাক্লা মৌপ্পাবু অদুগুম্বা মরাল কয়াদগী ঙাকথোকখি অমসুং মহাকপু পুদুচেরিদা লৈবা ময়ূমদা হনবা য়াহনখি।

## ꯄ꯭ꯔꯦꯁꯤꯗꯦꯟꯇ / PRESIDENT খনখ্রে

ঙসি তাং ১৩-০৮-২০২১ ইং, ইরাই নুমীৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী পূন্না ফম্মীন্নদুনা ৱারেপ অমা লৌখি। ৱারোলদি হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বী এস ইচলনা মশাগী খূদোংচাদবা অমা লৈবদগী থাদোকখ্রে। মরম অদুনা হাঙলিবা ফম অসি YCCIC ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি Ahallup Makha Leikai Women's Welfare Association গী সেক্রেটরি য়াওনা মেম্বরশিংগা পূল্লগা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা হাপ্পা হায়না ৱারেপ্পরে। হায়রিবা প্রসিদেন্টকী মমিংনা Konjengbam (O) Sabitri Devi, মহাক্লা প্রসিদেন্ট ওইবসিদা মেম্বরশিংনা অয়েৎপা অমত্তা লৈত্রে হায়না ৱারেপ তাজরে হায়না মখাদা সহি তৌজরি।

Sd/- **Y. Dimple Devi**
Secretary, Ahallup Makha Leikai
Women's Welfare Association

HL-P/9833/14

## ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

## OFFICE OF THE REGISTRAR
## MANIPUR TECHNICAL UNIVERSITY, IMPHAL

(A University established under the Manipur Technical University Act, 2016)
Recognised by UGC under Section 2(f) and Section 22 of UGC Act, 1956
www.mtu.ac.in/www.mtuonline.in

ADVERTISEMENT NO: 03/2021

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION FOR APPOINTMENT OF VICE-CHANCELLOR**

Imphal, the 12th August 2021

**No. 15/1/2016-MTU:** Applications in prescribed format are invited for the Post of Vice-Chancellor in Manipur Technical University from intending candidates having **"Experience in Technical Education and/or Academic Administration Organization"**.

2. **Eligibility Criteria:**
As prescribed under section 7.3 of the UGC Regulations dated 18th July 2018 on minimum qualifications for appointment of Teachers and other Academic Staffs in Universities and Colleges and measures for the maintenance of standards in Higher Education, 2018.

3. **Age and Tenure of office:**
As prescribed under section 14 (2) of the Manipur Technical University Act, 2016 which is reproduced as under
**"The term of the office of the Vice-Chancellor shall be 5 (five) years from the date on which he enters upon his office or until he attains the age of 70 (seventy) years, whichever is earlier".**

4. The Advertisement, format of application, salary, service conditions and other details are available on the University website www.mtu.ac.in

5. Pay and Allowances will be determined by the Department of Higher and Technical Education, Government of Manipur as per existing FD(PIC) Norms.

6. The application in the prescribed format should reach in the office of the undersigned on or before 4.30 PM of 12th September 2021.

**REGISTRAR**
**MANIPUR TECHNICAL UNIVERSITY**
**GOVERNMENT POLYTECHNIC CAMPUS**
**IMPHAL: 795004**

7. '**Application for the Post of Vice-Chancellor, Manipur Technical University**' should be clearly super-scribed on the sealed envelope. This office shall not be responsible for any postal delay.

**Sd/- Ng. Bhogendra Meitei**
**Registrar, Manipur Technical University**

HL-B/7079/14

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| LOCATION | CASES | RECOVERED | DEATHS |
|---|---|---|---|
| **Manipur** | **1,06,707**+522 | **98,189+678** | **1,683+8** |
| Maharashtra | 63,80,000+6,388 | - | 1,35,000+208 |
| Kerala | 36,30,000+21,445 | - | 18,280+160 |
| Karnataka | 29,20,000+1,857 | - | 36,911+30 |
| Tamil Nadu | 25,80,000+1,942 | - | 34,428+33 |
| Andhra Pradesh | 19,90,000+1,859 | - | 13,595+13 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+15 | - | 22,780+4 |
| West Bengal | 15,40,000+747 | - | 18,268+10 |
| Delhi | 14,40,000+49 | - | 25,068 |
| Chhattisgarh | 10,00,000+98 | - | 13,545 |
| Odisha | 9,91,000+1,107 | - | 6,697+67 |
| Rajasthan | 9,54,000+17 | - | 8,954 |
| Gujarat | 8,25,000+17 | - | 10,078+1 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+8 | - | 10,514 |
| Haryana | 7,70,000+16 | - | 9,654+1 |
| Bihar | 7,25,000+43 | - | 9,646 |
| Telangana | 6,51,000+453 | - | 3,836+3 |
| Punjab | 6,00,000+80 | - | 16,334+9 |
| Assam | 5,78,000+935 | - | 5,451+17 |
| Jharkhand | 3,47,000+44 | - | 5,130 |
| Uttarakhand | 3,43,000+24 | - | 7,369 |
| Jammu and Kashmir | 3,23,000+176 | - | 4,395+2 |
| Himachal Pradesh | 2,09,000+354 | - | 3,542+3 |
| Goa | 1,72,000+88 | - | 3,166+2 |
| Puducherry | 1,22,000+109 | - | 1,803+2 |
| Tripura | 80,980+180 | - | 775+2 |
| Meghalaya | 70,661+429 | - | 1,200+5 |
| Chandigarh | 62,009+12 | - | 811 |
| Arunachal Pradesh | 50,973+180 | - | 251 |
| Mizoram | 47,471+575 | - | 174+1 |
| Nagaland | 28,955+80 | - | 593+2 |
| Sikkim | 28,275+100 | - | 360+1 |
| Ladakh | 20,430+9 | - | 207 |
| Lakshadweep | 10,274+6 | - | 51 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,548 | - | 129 |

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT: GENERAL ADMINISTRATION DEPARTMENT

----

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 12th August, 2021.

**No. 2/5/2019-GAD:** In Continuation of this Government Notification of even no, dated 16th April, 2021, the schedule for sponsoring of the candidates by the employment exchange office for recruitment of 47 post of Stenographer Grade- III in the Manipur Secretariat, General Administration Department is **extended till Saturday, 31/08/2021.**

2. Thereafter, the sponsored candidates are required to download the application form from the website (www.manipur.gov.in) and submit the completed forms **w.e.f 6th September, 2021 to 15th September, 2021** between 10:00 am and 4:00 pm along with the required self-attested copies of certificates **at Lounge of Manipur State Guest House, Sanjenthong, Imphal**.

Sd/- **SunandaThokchom**
Under Secretary (GAD)
Government of Manipur.

HL-B/7075/13,14,15